# ওইনাম বেবেম অমসুং এল দেবেন্দ্রো অর্জুন এৱার্দকীদমক খনগৎখ্রে, সরদার সিংহ অমসুং দেবেন্দ্র ঝঝারিয়া খেল রত্নগীদমক খনখ্রে





ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৩ঃ

ইন্দিয়াগী ওইনা চহি খুদিংগী তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংদা অফবা পার্ফোমেন্স পীবা ঙম্বা শান্নরোইশিংদা পীবা অর্জুন এৱার্ড অমদি থাক ৱাংনা লৈরিবা খেল রত্ন এৱার্দকীদমক খনগৎপদা মণিপুরদগী হৌখিবী ফুটবোল শান্নরোই ওইনাম বেমবেম দেবী অমসুং বোক্সর লাইশ্রম দেবেন্দ্রো সিংহ খনগৎখ্রে। লোয়ননা হোক্কিদা সরদার সিংহ অমসুং পেরা এথলিট দিবেন্দ্র ঝঝারিয়া খেল রত্নগীদমক মমিং লৌখৎখ্রে।



ঙসি অর্জুন এৱার্দকীদমক পুন্না শান্নরোই ১৭কী মমিং লাউথোরকখিবা অদুদা মণিপুরগী বেমবেম অমসুং দেবেন্দ্রো য়াওরকপনি। অদুগা খেল রত্ন এৱার্দ পীননবা মমাংদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ওইরম্লবা সরদার সিংহ অমসুং পেরা এথলিটকী জেব্লিন থ্রোৱার দেবেন্দ্র ঝঝারিয়াগী মমিং খনগৎখিবনি।

পনবা য়াই পেরালেম্পিকস্তা গোল্ড মেডল অনীরক ফঙবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী পেরা এথলিট দেবেন্দ্র ঝঝারিয়া জেব্লিন থ্রোদা ইন্দিয়াগী মীংচৎ পুরকখ্রবা শান্নরোইনি। মহাকপু লৈবাক অসিগী শান্নবগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা মনা ওইরিবা রজির্ব গান্ধি খেল রত্ন এৱার্দকীদমক ইন্দিয়াগী হোক্কি কেপ্টেন ওইরম্লবা সরদার সিংহগা লোয়ননা মমিং অনী লাউথোকপদা য়াওখিবনি।

অর্জুন এৱার্দকী শান্নরোই ১৭ অমদি খেল রত্নগী শান্নরোই ২গী মমিং লাউথোকখিবা অদু রিতয়র্দ তৌরবা জষ্টিস সি কে থাকরনা লুচিংবা সেলেক্সন কম্মিতি অমনা খনখিবনি।

পনবা য়াবদি খেল রতনগীদমক খনবদা দেবেন্দ্র ঝঝারিয়ানা অহানবা পেরা এথলিট ওইরি। মহাক্কী মাংওইননা রজিব গান্ধি খেল রত্ন এৱার্দকীদমক পেরা এথলিট অমত্তগী মমিং য়াওরক্ত্রিবনি।

লাউথোকখ্রবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা কনানা করিদা মনা ফঙদগে হায়বদু স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা অরোইবা ৱারেপ লৌগদৌরি।



অর্জুন এৱার্দকীদমক খনগৎখিবা মণিপুরী মচা ওইনাম বেমবেম দেবী ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোলদা মহুৎ শীনবা য়াররোইদবা জগা অমা কন্দুনা লাকখিবনি। মহাক্কী চহি ২০গী কেরিয়রদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না কুমজা ২০০১ অমসুং ২০১৩দা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ফজবা নুপীগী ফুটবোল শান্নরোইগী মনা অদু পীখি।

মহাক্না লুচিংদুনা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমনা ইন্টরনেসনেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ৫ শরুক য়াখি। মদুগী মনুংদা কুমজা ২০১০দা বংলাদেশনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ১১শুবা সাউথ এসিয়ান গেমস অমসুং কুমজা ২০১২দা শ্রীলঙ্কানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা সাউথ এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসনগী নুপীগী ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ য়াওখি।

অমরোমদা বোক্সিংগী লমদা অর্জুন এৱার্দকীদমক খনগৎখিবা অমত্তা ঙাইরবা বোক্সর মণিপুর মচা লাইশ্রম দেবেন্দ্রো মহাক্কী কেরিয়রগী ফজখিবা অদু কুমজা ২০১৪দা পাঙথোকখিবা কম্মন ৱেঠল গেমস অমসুং এসিয়ান কনফিদরেসন বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা সিলভর মেডল ফঙখিবা অদুনি। মদুগী মাংওইননা লন্দনদা পাঙথোকখিবা ২০১২ ওলেম্পিকস্তা ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা য়ৌবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী মরুওইবা বোক্সর অমনি।

অর্জুন এৱার্দকীদমক খনগৎখ্রবা অতোপ্পা শান্নরোই ১৫ অদুদি ক্রিকেটকী লমদা নুপাগী চিতেশ্বর পুজরা, নুপীগীদা হরমিন প্রিটকোর,অর্চরিদা বি জে সুরেখা, কবাদ্দিদা অজবির সিংহ, টেন্নিসতা এস মাইনেনি, সুটিংদা পি এন প্রকাস, রেষ্টলিংদা এস কাদিয়ান, হোক্কিদা এস বি সুনিল, বাষ্টকেটবোলদা প্রসান্তি সিংহ, গোল্ফতা এস পি চৌরাসিয়া, টেবল টেন্নিসতা অমলরাজ, পেরা এথলেটিক্সতা বরুন বাটি অমসুং মরিয়া পন থাংগেবেলু লোয়ননা এথলেটিক্সতা খুসবির কোর অমদি অরোকিন রজিবনি।

## মহারাজকুমার ঘনেন্দ্রজিৎ নিংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# আর এ য়ু অমদি পি ৱাই এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসেসিয়েসননা শিন্দুনা টিম ১১না শরুক য়াদুনা মমাং থাদা এলেভেন ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন গ্রাউন্দ অকাম্পাৎতা হৌদোকখিবা হৌজিক্কা অবা গ্রাউন্দ, ক্ষেত্রিগাউদা চংখরিবা মহারাজ কুমার ঘনেন্দ্রজিৎ মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা আর এ য়ুনা এস এ কেবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা আর এ য়ুনা এস এ কেবু গোল ২–১দা মাংজিল থাদুনা চৎখি। এস এ কেনা য়াম্না কন্না পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎরবসু ফুল টাইম ফাওবদা মখোয়গী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদে।

আর এ য়ু গী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৯না শান্নবগী ২শুবা মিনটতা খনিংঙাম হোরামনা গোল ১ অমদি জর্সি নম্বর ৪ নিংথেমনা শান্নবগী ১৪শুবা মিনট গোল ১ চনখিবনি।

এস এ কেগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৯ রোমিনা শান্নবগী ২৪শুবা মিনটতা গোল অদু চনখিবনি।

মেটচ অসিদা আর এ য়ুগী জর্সি নম্বর ৪না নিয়ম লান্না শান্নরুবগী রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অদুদা মেটচ কম্মিসরনা কে সি ঐচ মোধুচন্দ্র, রেফরি ইন্সপেক্টরদা এস জেমস কুমার, রেফরিদা আই রবিচন্দ্র, এসিস্টেন্ট রেফরি ১ দা এম ইনাও, এসিস্টেন্ট রেফরি ২দা ৱাই হেমন্তা অমদি ফোর্থ রেফরিদা ৱাই ইঙোবীনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা পি ৱাই এ না এন ইভিএসওবু গোল ৩–২দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিগী অহানবা মেটচতা এনইভিএসও না পাঞ্জল ১–০দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

অদুবু পিৱাইএ না য়াম্না কন্না হোৎনদুনা মেটচকী অনীশুবা হাল্ফতা গোল ৩ চনশীন্দুনা গোল স্কোরদা ৩–২দা লৈদুনা পি ৱাই এ না এনইভিএস ও বু মায়থিবা পীখ্রে।

পিৱাইএগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ ৱাই কিষননা শান্নবগী ৩১শুবা মিনটতা গোল ১, জর্সি নম্বর ১৭ সোহেবখানা শান্নবগী ৮৫শুবা মিনটতা গোল ১ অমদি জর্সি নম্বর ৯ বিদ্যাকুমারনা শান্নবগী ৮৯শুবা মিনটতা গোল ১ চনখিবনি।

মায়থিহৌরবা এনইভিএসওগী গোলশিং অদু ১৭ এম দি সিরজনা শান্নবগী ৪৬ তা গোল ১ অমদি জর্সি নম্বর ১৫ দিপক্না শান্নবগী ৬১শুবা মিনটতা গোল ১ চনখিবনি।

এনইভিএসওগী শান্নরোই কেএসঐচ রকেস, কে ঐচ বিদ্যাকুমার, এ নাওবা অমদি এম দি সিরজবু নিয়ম লান্না শান্নবগীদমক রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

নাকল অমরোমদা পিৱাইএগী শান্নরোই এম দি সোহেবখান অমদি এম সোইহলবু নিয়ম লান্না শান্নবগীদমক রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

মেটচ অদুদা মেটচ কম্মিসরদা কে সি ঐচ মোধুচন্দ্র, রেফরি ইন্সপেক্টরদা এস জেমসকুমার, রেফরিদা টি প্রেমজিৎ, এসিষ্টেন্ট রেফরি ১দা পি ঐচ লম্ছোইবা, এসিষ্টেন্ট রেফরি ২দা কে অজিৎকুমার অমদি ফোর্থ রেফরিদা ঐচ অমর্জিৎ সিংহনি।

## এল ইতোমচা নিংশিং সুপর দিভিজন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# কেপিএফসিনা সিৱাইসিবু গোল ৪–১দা মায়থিবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরগী মীৎয়েং মখাদা টিম ৭না শরুক য়াদুনা মমাং থাগী ৩দগী মীনি ষ্টেদিয়ম বিষ্ণুপুরদা চৎথরকখিবা অহানবা এল ইতোমচা মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭গী ১২শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কে পি এফ সিনা সি ৱাই সি বু গোল ৪–১দা মায়থিবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা হাল্ফতা কে পি এফ সি না গোল ২–১দা অদুমক মাংজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফতা সি ৱাই সি না য়াম্না কন্না পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎরবসু কে পি এফ সি না গোল ৪–১দা অদুমক মাংজিল থাদুনা সি ৱাই সি বু মায়থিবা পীখিবনি।

কে পি এফ সি গী মায় পাকপাগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৩ সি ঐচ দিলিপনা শান্নবগী ৬ অমদি ৬৭শুবা মিনটতা গোল ২ চনখি। জর্সি নম্বর ১ এস সনাতোন্না শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা গোল ১ অমদি জর্সি নম্বর ১১ ও কুঞ্জাবিহারিনা শান্নবগী ৯০শুবা মিনটতা গোল ১ চনখিবনি।

মায়থিহৌরবা সি ৱাই সি গী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৫ পম্বিংপুনা শান্নবগী ৪৩শুব মিনটতা গোল ১ চনখিবনি।

সি ৱাই সি গী শান্নরোই মৈহোলুংনা নিয়ম লান্না শান্নরুবগী রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অদুদা মেটচ কম্মিসনর ওইনা টি ঐচ তেজমাণি, রেফরি ইন্সপেক্টরদা আই জয়কুমার, রেফরিদা আর কে রঞ্জন, এসিষ্টেন্ট রেফরি ১দা ৱাই ইবোয়াই, এসিষ্টেন্ট রেফরি ২দা ৱাই লুংসু অমদি ফোর্থ রেফরিদা এস পুন্সিনি।

# ৱার্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী মেডল নিরজ চোপ্রানা ফঙলক্কনি হায়না আশা তৌনরি



লন্দন, ওগষ্ট ০৩ঃ

হয়েংদগী লন্দনদা হৌগদৌরিবা ইন্টরনেসনেল এমেচর এথলিট ফেদরেসনগী ৱার্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী মেডল ফঙলপা য়াই হায়না জব্লিন থ্রোদা শরুক য়াগদৌরিবা নিজর চোপ্রাদা অচৌবা আশা থন্লি।

কুমজা ১৯৮৩দগী শরুক য়ারকখিবা ইন্দিয়াগী এথলেটশিংনা ২০০৩দা পেরিসতা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী মাইকৈদগী নুপীগী লোংজম্প্তা অঞ্জু বোবি জোসনা ব্রোঞ্জ মেডল ফঙখিবা অদুগী মতুং ঙসি ফাওবদা ইন্দিয়াগী ঙসি ফাওবদা ৱার্ল্ড এথলেটিক্স অসিদা মেডল অমাফাওবা ফঙবা ঙমদনা লৈরি।

হয়েংদগী হৌগদৌরিবা ৱার্ল্ড এথলেটিক্স অসিদা ইন্দিয়াগী এথলিট ২৫না শরুক য়াগদৌরি।

হন্দক্তা ইন্দিয়াগী ভুবনেশ্বর সিটিদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান এথলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়ানা খ্বাইদগী মেডল য়াম্না ফঙবা ঙমখ্রবসু লন্দনগী ৱার্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মেডল ফঙলক্কনি হায়বগী থাজবা য়াম্না ৱাৎলি।

নুপাগী জুনিয়র জেব্লিন থ্রোদা ৱার্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙম্লিবা নিজর চোপ্রাগী মাইকৈদগী ফজবা পার্ফোমেন্স লাক্লবদি মেডল অমা ফঙবা য়াই হায়না অচৌবা আশা অমা থন্লি।

মহাক্না সেনিয়র লেভেলদা শরুক য়ারকখিবদা মালেমগী মকোক থোংনবা এথলিটশিংগা লম্বা তৌনবদা ৫শুবা অমদি ৭শুবা পোজিসন তারকখি।

## চান্দম ইনুংঙাম্বী মিনি বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭

# জিএফসিএ না এসবিএনৱাইসিবু অমদি পিৱাইসিনা ৱাইএসসিবু মায়থিবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৪ঃ

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এজেএসএ), জিরিবামনা শীন্দুনা ঙরাংদগী জিরিবাম গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরীগী প্লেগ্রাউন্দদা টিম ৯না শরুক য়াদুনা শান্নবা হৌখিবা ১৪শুবা চান্দম ইনুংঙানবী মেমোরিয়েল মিনি বোইজ (চহি ১৩ মখা) ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা সোনাপুর জিপিএসএ না এসবিএনৱাইসিবু গোল ৪–২ অদুগা অনীশুবা মেটচতা পিৱাইসি ফাইতোলনা য়ুঠ সিনলুং ক্লববু গোল ৮–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এসবিএনৱাইসি অমদি সোনাপুর জিপিএসএ শান্নখি, এসবিএনৱাইসি না তোচ ঙমদুনা সাইদ খনখি অদুগা সোনাপুর জিপিএসএনা বোল কাওবা হৌখি। টিম অনীমক য়াম্না ফজনা শান্নখি। অদুবু সোনাপুর জিপিএসএ না এসবিএনৱাইসিবু গোল ৪–২ দা থোইখি। সোনাপুর জিপিএসএগী গোল অদু নরুল অমিননা ২২শুবা মিনট, বাস্কর বরমননা ২৭শুবা মিনট, মিনাল হুইসেননা ৩৯শুবা মিনট অমদি সনুল হাক্কুনা ৫৮শুবা মিনটতা গোলশিং অদু চনখি। অদুগা এসবিএনৱাইসিগী গোলশিং অদুনা দেবা ঘাটুর অমদি বিকি গোলানা ৬শুবা মিনট অমদি ৪৪শুবা মিনটতা গোলশিং অদু চনখিবনি।

অনীশুবা মেটচ অসিদা পিৱাইসি ফাইতোল অমদি য়ুঠ সিনলুনং ক্লব শান্নখি। য়ুঠ সিনলুং ক্লববনা তোচ ঙমদুনা সাইদ খনখি অদুগা পিৱাইসি ফাইতোলনা বোল কাওবা হৌখি। টিম অনীমক কন্না শান্নখি অদুবু য়ুঠ সিনলুং ক্লবপু পিৱাইসি ফাইতোলনা হৌবদগী লোইবা ফাওবা এটেক্ট তৌদুনা লৈখি,মদুগী মহৈ ওইনা পিৱাইসি ফাইতোলনা য়ুঠ সিনলুং ক্লবপু গোল ৮–০ দা মায়থিবা পীখি।

পিৱাইসি ফাইতোলগী গোলশিং অদু এল ধোনি সিংসননা ৪শুবা মিনটতা গোল অদু চনখি। অদুগা সনবোই সিংসননা ১০, ১৬, ৩১, ৩৭ অমদি ৪১ শুবা মিনটতা গোল ৫ চনখি। লেনমোনশং সিংসননা ৬৩ অমদি ৬৬ শুবা মিনটতা গোলশিং অদু চনখিবনি।

হয়েংগী মেটচতা কুকি স্পোর্টিং ক্লব অমদি চিকিম এফ সিগা শান্নরগনি।




Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*